

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, DECEMBER 11, 2017 PAGE 7




*য়ুএইগী দুবাই সিটিদা পাঙথোকপা ওমেগা দুবাই লেদিজ ক্লাসিক গোল্ফ টুর্নামেন্টতা হান্না ফিভম শোক্লক্নদগী ফজরক্তুনা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী আদিতি অশোক*

*শ্রী লঙ্কা অমসুং বাংলাদেশনা শান্নগদবা টেষ্ট সেরিজদা বাংলাদেশকী টেষ্ট টিম অদুগী নৌনা কেপ্টেনগী থৌদাং লৌগদৌরিবা শান্নরোই ওল রাউন্দর সাকিব অল হাসন*

## ওষ্ট্রেলিয়ানা আর্জেন্টিনা মায়থিবা পীদুনা হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, য়ুম্বু ইন্দিয়া অহুমশুবা তাখ্রে



হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা উরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১ দগী চথরকপা মেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইদুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে। অদুগা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা জর্মনিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইরগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদু য়ুম্বু ইন্দিয়া অমসুং জর্মনিগী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদুনা ওইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুনিল সোমরপিতনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি।

ক্বার্টর অদুদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিবদগী হাল্ফ অদু লোইশিন দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকখি। ক্বার্টর অদুগী মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা জর্মনিগী মার্ক এপেলনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা মেটচ অদু য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি।

মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর অদুগী মিনট ৯ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী হর্মনপ্রিত সিংহনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা জর্মনিবু ২–১ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মখা তাবা লেমহৌবা মিনট ৪ অদুদা জর্মনি পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিবদগী ব্রোঞ্জ মেডলগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ২–১ দা থোইরগা লৌখি।

হোক্কি ৱার্ল্ড লীগ ফাইনেলগী গোল্ড মেডলগী মেটচ অদু আর্জেন্টিনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া লম্বা তৌনখি। মিনট ১৫ গী অহানবা ক্বার্টর টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেরেমী হেৱার্দনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী খুদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা আর্জেন্টিনাবু মখোয়না ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংগী মরক্তগী ওগষ্টিন বুগালোনা থংনবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ওইহনখি।

ফাইনেল মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমমম চন্নরগা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিবদগী হাল্ফ লোইশিন দুনা অনীশুবা হাল্ফকীদমক শেম শান্নখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুবু আর্জেন্টিনা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে মায়কৈ অনীনা মায় পাক্লনবা অহেনবা পাঞ্জল থিনবা হোৎনরকপদা অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরগী মিনট ১৩ লোইশিনখি।

ফাইনেল মেটচ অদু লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই ব্লেক গোবর্সনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২–১ দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

## কোলকতাগী মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে



মোহন বগান অমসুং চর্চিল ব্রদর্সনা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমদা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা

*কোলকতা, দিসেম্বর ১০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা কোলকতাগী মোহন বগান ফুটবোল ক্লবনা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

কোলকতাগী য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন মীয়াম্না সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম হায়না খঙরিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা ষ্টেদিয়ম ওইরিবা অসিদা য়ুম্বু মোহন বগাননা গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সকা হিরো আই লীগকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ শান্নবদা য়ুম্বু ক্লব অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা মেটচ অদুগী হৌবদগী শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা মোহন বগানগী শান্নরোই অনসুমানা ক্রোমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। পাঞ্জল মাঙজিল থারবা মোহন বগানগী মায়োক্তা চর্চিল ব্রদর্সনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু অহানবা হাল্ফ অদুগী পুংখায় হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী অতোপ্পা শান্নরোই এসিয়র দিপান্দনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোৱাগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সপু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফতা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না উত্তুনা অহানবা হাল্ফতা শোত্থখিবা পাঞ্জল অনী হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজনরম্বা অদুগী ওন্ন–তৈনবদা হাল্ফ অদুগী হৌরকপা মিনট অমা চঙশিল্লকপদা মেটচ অদুদা মোহন বগানগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা এসিয়র দিপান্দনা য়াম্না খোঙজেল থুনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিম অদুগী ওইনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা চর্চিল ব্রদর্সপু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা মোহন বগান ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদা অহেনবা থৌনা লাকখিবদগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুগী মতুং শুপ্নগী মিনট ২ লৈরগা মোহন বগানগী অতোপ্পা শান্নরোই সৈখ ফৈয়াজনা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিল্লগা লীগ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অমা মায়থিদুনা পোইন্ট ফংবা ঙমদ্রিবা চর্চিল ব্রদর্সপু ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা মোহন বগানগী সোনি নোর্দেনা টিম অদুগী পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা চর্চিল ব্রদর্সপু ৫–০ দা থোইরগা আই লীগকী মেটচ ৩ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৭ ফংদুনা চপ মান্নবা পোইন্ট ফংলিবা মিনর্ভা পঞ্জাবতগী গোল দিফরেন্সতা ৩ হেল্লগা মকোক্তা লৈবা ঙম্লিবনি।

## বোলর সুরঙ্গা লাকমলগী ৱিকেট ৪ না ইন্দিয়াবু অহানবা ৱান দে মেটচতা শ্রী লঙ্কানা ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে



শ্রী লঙ্কাগী বোলর সুরঙ্গা লাকমল (য়েৎ) না ইন্দিয়াগী ৱিকেট লৌরবা মতুংদা টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকপা

*ধরমশালা, দিসেম্বর ১০ঃ*

শ্রী লঙ্কানা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ক্রিকেট টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা ৱান দে মেটচ ৩ গী অহানবা মেটচ অদু শ্রী লঙ্কাগী বোলর সুরঙ্গা লাকমলনা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৪ শুপ্নগী রন ১৩ খক পীরগা আওট তাহনখিবা অদুনা ফজবা ওইরগা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী হিমাচর প্রদেশ ষ্টেট অদুগী ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী ষ্টেদিয়ম ওইরিবা ধরমশালাগী ক্রিকেট গ্রাউন্দ অদুদা শ্রী লঙ্কাগী কেপ্টেন থিসারা পেরৈরানা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস ফিভম য়াম্না শোকখি। বেটসমেন ৯ রন ৮৭ তা আওট ওইদুনা শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা ৱান দে সেরিজগী রেকোর্দতা ৫রকশুবা খ্বাইদগী য়ামদবা রন অদু ওইখি। ইন্দিয়াগী টিম অদু ওভর ৩৯ গা বোল ২ শান্নবদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১১২ খক লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন ভিরাট কোলিগী মহুৎ রোহিট শর্ম্মনা ওইনা সিখর ধৱনগা ইন্নিংস হৌদোরকখি। শ্রী লঙ্কাগী ওপন্নিং বোল সুরঙ্গা লাকমল অমসুং এঞ্জেলো মেথ্যুজগী ফজরবা বোল্লিংদা রোহিট শর্ম্ম অমসুং সিখর ধৱন রন লৌবা ঙমদনা অহানবা ওভর অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ওভর অদু এঞ্জেলো মেথ্যুজনা লংলকপনি। সিখর ধৱননা মায়োক্লবদা অহৌবা বোল ৫ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈরিঙৈ ওভর অদুগী ৬শুবা বোলদা ধৱন এলবিদব্লিয়ু তাদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট স্কোর বোর্দতা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবনি।

শ্রিয়েস আয়রনা ধৱনগী মহুৎ শিল্লকখি। মহাক্না রোহিট শর্ম্মগনা ইন্নিংস মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকপদা অদু ৫শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা কায়খি। রোহিট শর্ম্ম মশাগী রন ২ লৌদুনা লৈরিঙৈ ৫শুবা ওভরগী অহানবা বোল অদু শ্রী লঙ্কাগী লাকমলনা লংলকপদা আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর রন ২ দা ৱিকেট ২ তুখি।

নৌনা চঙলকখিবা দিনেস কার্থিকসু শ্রী লঙ্কাগী বোল্লিং এটেক অদুনা ফজমন্দুনা স্কোর তৌবা ঙমদনা লৈরিঙৈ ১৮শুবা বোল মায়োক্লবদা লাকমলনা মহাকপু এলবিদব্লিয়ু তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বেটসমেন রন ৮ দা তুখি।

মনিস পান্দেবু রন ২ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। মহাক্কী মতুং কিপর মহেন্দ্র সিংহ ধোনি শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না আয়রগনা রন মখা তানা লৌনবা হোৎনরকপদা রন ৯ দা আওট ওইরগা হর্দিক পান্দিয়া শান্নবা চঙলকখিবা অদু রন ১০ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ভুবনেশ্বর কুমার রন অমত্তা লৌরমখিদে। কুলদিপ যাদবনা ধোনিগা পাদুনা রন ৪১ গী পার্টনর্সিপ অমা শেমখি। মদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। যাদব রন ১৯ দা আওট ওইখি। অমরোমদা এম এস ধোনি শ্রী লঙ্কাগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লদুনা বোল ৮৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১০ য়ৈরগা রন ৬৫ দা ইন্দিয়াগী ১০শুবা বেটসমেন ওইনা অপুনবা স্কোর ১১২ দা তুখি।

পনবা য়াবদি কুমজা ২০০০ দা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাগা সারজাদা শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অমদা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবদা রন ৫৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়ামদবা স্কোর ওইরি।

মায় পাক্লবা রন ১১৩ লৌনবা হোৎনরকপদা শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন ৩ খক আওট ওইখি। ওপনর দনুস্কা গুনথিলকা রন ১ দা আওট ওইখি। কেপ্টেন উপুল থারঙ্গা রন ৪৯ লৌরমখি। অদুগা লাহিরু থিরিমানে রন লৌদনা আওট ওইখ্রবসু এঞ্জেলো মেথ্যুজ অমসুং নিরোসন দিগৱেলানা আওট ওইদনা মথংশিৎনা রন ২৫ অমসুং ২৬ লৌখিবা অদুনা ইন্নিংসকী ২১শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা রন ১১৪ লৌদুনা অহানবা ৱান দে মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

মখা তাবা অনীশুবা ৱান দে মেটচ থা অসিগী ১৩ দা চান্দিগরগী মোহালিদা শান্নগনি। অদুগা অহুমশুবা মেটচ অদুনা ভিশাখাপত্নমদা শান্নগদৌরি। মদু লোইরগা থা অসিগী ২০, ২২ অমসুং ২৪ দা টি–২০ মেটচ ৩ মখা তানা শান্নগনি।

## লন্দন চেছ ক্লাসিক্তা ইন্দিয়াগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বিশ্বানাথন আনন্দ মায়থিবা নংখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ১০ঃ*

গ্রেট বৃটেনগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা চেছ মশান্নগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লন্দন চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙম্লম্লবা বিশ্বানাথন আনন্দ রুশিয়াগী শান্নরোই ইয়ান নেপোমনিয়াচিগী মখূত্তা মায়থিখ্রে।

৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দবু মায়থিবা পীরম্বা রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচি পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই ওইরিবা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনাগা পোইন্ট মান্নবা ঙম্লি।

লন্দন চেছ ক্লাসিক অসিগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা য়ুএসএগী শান্নরোই ফাবিয়ানো করোনানা পোইন্ট ৪ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা মথন্তনা মকোক ওইদুনা চৎলম্বনি। অদুবু ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা রুশিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন মায়থিবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ৪.৫ ফংলকপদগী ফাবিয়ানোনা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই ৱেসলি সোগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট মখায় ফংদুনা ৪.৫ দা লৈখিবনি।

লন্দন চেছ ক্লাসিক অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই অনীনা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা লৈখ্রবা মতুং নোরৱেগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা মেগনস কার্লসন অমসুং ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেভ পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। পোইন্ট ৩.৫ দা ৱেসলি সো, অর্মেনিয়াগী লেভোন আরোনিয়ান অমসুং য়ুএসএগী হিকারু নাকামুরানা মতুং ইন্নরি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর জিতু রায় অমসুং হিনা সিন্ধুনা নুপা অমসুং নুপীগী মিটর ১০ এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে



ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী হিনা সিন্ধু অমসুং জিতু রায়

*ৱাকো সিটি, দিসেম্বর ১০ঃ*

জপানগী সিটি ৱাকোদা চথরিবা এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা ইন্দিয়াগী সুট্টর জিতু রায় অমসুং হিনা সিন্ধু মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা নুপাগী অমসুং নুপীগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রে।

জিতু রায়না ইন্দিভিজুয়েল নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবসু টিম ইভেন্টতা মহাক্কা লোয়ননা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনী সাহজার রিজবি অমসুং ওমকার সিংহনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা হিনা সিন্ধুনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলবসু মহাক্কী টিমমেট নিভেথা পরামন্থম অমসুং হর্বিন স্রাওনা টিমগী ওইবা সিভলর মেডল লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা কম্পিটিসনশিং অদুদা নুপাগী জুনিয়রগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনমোল জেননা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। অদুগী ইভেন্ট অদুগী টিম কম্পিটিসনদা অনমোলনা টিমমেট গৌরব রানা অমসুং অভিসেক আরিয়া শরুক য়ারকপদা টিমগী সিলভর মেডল অদু ফংখি।

এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না গোল্ড মেডল ৪, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৭ ফংলগা পুন্না মেডল ১৭ শুবা ঙম্লি।

জিতু রায়না নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ২১৯.৬ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী সুট্টর ঝেং য়াং হেনা ৱার্ল্ড রেকোর্দকা মান্নবা ঙমদুনা পোইন্ট ২৪১.৮ তা ফংখিবনি। সিলভর মেডল অদুসু চাইনাগী অতোপ্পা সুট্টর ৱৈ য়াংনা ২৪১.১ ফংলগা লৌখি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোলনা ইন্দিয়াগী হিনা সিন্ধুনা পুন্না পোইন্ট ২১৭.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদু জপানগী সুট্টর য়াকারি কোনিসিনা পোইন্ট ২৪৫.৩ ফংলগা এসিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা মোঙ্গোলিয়াগী ভেটরান সুট্টর ওত্রিয়াদ গুন্দেগমানা পোইন্ট ২৪১.৬ ফংলগা লৌখি।

জুনিয়র মেন্সগী নুপাগী মিটর ১০ গী পিস্তোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী অনমোল জেননা পোইন্ট ২১৭.৮ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী সুট্টর জিয়ায়ু ৱু অমসুং সিহাও তাংনা মথংশিংনা পোইন্ট ২৪১.১ অমদি ২৩৭.৯ ফংলগা গোল্ড অমদি সিলভর মেডল ফংখি।

হয়েং এসিয়ান এয়রগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা গোল্ড মেডল ইভেন্ট অহুম লৈগদৌরি। অহানবদা জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল লোয়ননা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ইভেন্ট অদুনা য়ুথ মেন্স এন্দ ৱুমেন্সকী মিটর ১০ গী এয়র পিস্তোল ইভেন্টনি।

## ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা স্কৱাস শান্নরোই রমিত তন্দনন চাইনিজ তাইপৈগী জেমস হুৱাংবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা সিঙ্গাপোর ওপন স্কৱাস টাইটল লৌখ্রে



*সিঙ্গাপোর সিটি, দিসেম্বর ১০ঃ*

প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড টুর ইভেন্ট অমা ওইরিবা সিঙ্গাপোর ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রমিত তন্দন চাইনিজ তাইপৈগী জেমস হুৱাংবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড নম্বর ৪৪ অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা রমিত তন্দননা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী জেমস হুৱাংবু য়াম্না কোম্না শুপ্নগী মিনট ৩২ দা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা ১১–৩, ১১–৬, ১১–৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি রমিত তন্দননা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী ফজবা মেটচ অমা ওইনা নম্বর ৱান সিদেদ হোং কোংগী হেনরি লিয়ুংবু মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী রমিত তন্দননা টোপ সিদেদ হেনরি লিয়ুংবু শুপ্নগী মিনট ২২ দা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ১১–৩, ১১–৬, ১১–৫ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোই বেনেদিখ চানবা ১১–৮, ১১–৬, ১১–৫ দা থোইরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মরিশুবা সিদেদ মালেসিয়াগী অলবিন কিয়োবু ১১–৭, ১১–৮, ২–১১, ১০–১২, ১২–১০ দা থোইরম্বনি।

নীংশিংবা য়াই সিঙ্গাপোর ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রমিত তন্দননা টাইটল অদু মহাক্কী ওইনা অনীরকশুবা পিএসএ ৱার্ল্ড টুর ইভেন্টকী টাইটল লৌবা ঙম্লিবনি।

মহাক্না চহী অসিগী মে থাদা য়ুএসএগী সিটি সাউথমতনদা পাঙথোকখিবা এসৱাইএস স্কৱাস ওপনগী টাইটল অদু লৌরগা টুর অসিগী ওইনা ২০১৭ কী অহানবা টাইটল ওইখিবনি।